

কোয়লাস থাবা লোইরবা লম্বী ইদ-উল-অধাগী খুদোল ওইনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা সোরা মনীং কারাঞ্চি ফাওদুনা চৎলিবা ইরেংবন্দ তাখিবা লম্বীগী কিলোমিটর ১.২ শাংবা লম্বীগী শরুক ময়াংলম্বম রামেশ্বর, এম এল এ ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিনা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দদগী কোয়লাস থাবা লোইরদুনা সোরা মীয়ামদা ইদ-উল-অধাগী খুদোল ওইনা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙসি মুস্লিম কাঙলুপকী য়াম্ন মক মরু ওইরবা 'কথোকপগী কুম্মৈ' অমা ওইরিবা ইদ-উল-অধাগী নুমিৎ অসিদা ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা লম্বী অদু খুৎশিন্নরদুনা হায়, সোরাগী মরুওইনা সোরা মনীং, কারাঞ্চিগী মীওইশিংনা মপুঙ ওইনা সোরা কৈথেল চৎপা, ককচিং নৎত্রগা ইম্ফাল চৎপদা য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী অসি কুইনা ফত্তদুনা লৈরকপদগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোং চাদবা অদু উরুবগা লম্বী অসি মহাক্লা লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দদগী কোয়লাস থাদুনা শেম্বনি। ঙসি মুস্লিম ইচিল ইনাওশিংগী কথোকপগী চাউরবা কুম্মৈগী থৌরম অসিদা লম্বী অসি শিন্নজবনি।

ঙসি মালেম অসিদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী ঐখোয় খুদিংমক কঞ্জহৌনবা সোরাগী লৈরিবা মীয়াম্মসু শোয়দনমক কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অসি কাপথোকপিয়ু। অথুবা মতমদা সোরাগী মীয়াম ভেক্সিন অসি কাপথোকপিদুনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকমিন্নসি। ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা ভেক্সিন কাপথোকপা য়ারবা মীওই ২৮,৯৪০ রোম লৈবগী মনুংদা মীওই লিশিং ২৩ হেন্না ভেক্সিন কাপথোকখ্রবনি। সোরাদা লৈরিবা মীয়াম্নসু ভেক্সিন কাপথোকপিদবা য়াদে খন্না ভেক্সিন কাপথোকপিদুনা লাইচৎ অসি মুখৎপদা তাংবঙগী অলানা থৌজানবিবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

'খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি'

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): এম পি কেন্দিদেচর দিমান্দ কন্মিটিনা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী ভোট থাদবদি য়াবা অদুগা হোম কন্সটিট্যুএন্সি ওইরিবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এস টি রিজার্ব সিটতা য়াওরিবা তম্পাক্কী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৮ গী প্রোব্লেম লোইশিনবিনবা লাউ খোংদুনা, চে কয়া থাদুনা অমদি খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি হায়না এম পি কেন্দিদেচর দিমান্দ কন্মিটি, মণিপুরগী কনভেনর পি সোমরেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈথোত্তুনা থমখ্রবসু দিলিমিটেসন কন্মিসনদা চে কয়া থাদুনা হোৎনখি অমসুং ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়ানসু মণিপুরগী খন্নবদা শোয়দনা সোম্ব তৌরগে হায়বগী পাউখুম ওইনা অইবা চে থাবীরকখি। চহী ৭০ চুপ্পা পোৎহাপ ওইদুনা লৈরবা মীওই লাখ ৩গী লাইবক ঙসি হয়েংমক হেক লোইশিনবগী মমি উদ্রবসু এম পি কেন্দিদেচর দিমান্দ কন্মিটি মণিপুরদি হনবা লৈতনা হোৎনখিগনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী মফমদা মরী লৈনবা চে-চাং কয়া পীশিঞ্জখি। অমদি পার্লিয়ামেন্টরি সেসনদা শোয়দনা পুথোক্কনি হায়বগী থাজবসু পীরকখি। চৈরক অসিদা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম অসিদা ঙরাং এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজ াওবনা স্পেসল মেন্সন ওইনা ইস্যু অসিবু পুখৎপিরকপগীদমক এম পি কেন্দিদেচর দিমান্দ কন্মিটি মণিপুরগী মায়কৈদগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎচরি। লোয়ননা ইস্যু অসিগী ৰারোইশিন অমা অথুবা মতমদা পুরক্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবিরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি। কন্মিটিগী মায়কৈদগীসু মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা থৌরাং তৌজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

লৌমীশিংদা অদুক্কী মতীক খুদোং চাহন্দ্রে : জে এন জি ভী ও

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): সেংমাই বেরেজ, কৈরককী দাম ঙাইহাক লৈতনা ফাত্তোক ফাৎচিন তৌবনা লৌমীশিংদা অদুক্কী মতীক খুদোং চাহন্দ্রে হায়না জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভী ও) ককচিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

জে এন জি ভী ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোমেস নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কৈরক্তা লৈরিবা সেংমাই বেরেজগী দাম ঙাইহাক লৈতনা ফাত্তোক ফাৎচিন তৌবনা তুরেলগী ৰাটর লেভেল য়াম্না নেমথখিবনা আর এল আইগী স্কিমশিং য়াওনা তুরেল ঈশিংগী মতেংনা তৌগদবা লৌউ-শিংউ থবক য়াওনা থবক খুদিংমক অমত্তা তৌবা য়াদ্রে। জুলাইগী অরোইবা চয়োল য়ৌশিনখিদুনা খরগা হেক থেঙথখিবদা লৌ পান্দ্রিবা লৌফমশিংদি লৌ পানবা য়ারোইদবনা লৌমী কয়া অমদি মিপাইনরে। হান্না দাম অসিগী মতেংনা লৌ পানখিবা কাংবুসু খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্ন গদৌরিবনি।

দাম অসি ফাৎখিবদগী ঈশিংগী ঈমায় খঙনেম নেমথখিবনা ককচিংগী ৰাটর সপ্লাই ফাওবা মীয়ামদা ঈশিং পীবদা অদুক্কী মতীক খুদোং চাহন্দ্রিবনি। অসুম্না য়াম্না তোয়না ফাত্তোক ফাৎচিন তৌবা অসিনা দাম অসিগী অপষ্ট্রিমদা লৈবা তুরেল মপালদা তারিবা মীয়ামদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি লৌনম্বালশিংগী ফিভমশিংসু খঙবিয়ু। মরম ময়াম অসি লৈবনা মতম খরদং ৰাটর লেভেল ৰাংখৎহন্দুনা আর এল আই স্কিমশিং অমদি ঈথৈ-খোংশিং মথৌ তৌহনবিনবা দামগী গেটশিং ফাৎপিদনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্নীং চিংশিঞ্জরি। করিগুম্বা তঙাই ফদনা ফাৎতবা য়াদবগী ফাৎলবসু মরম চানা মীয়ামগী ইহুল খঙনা মরী লৈনবশিংনা ফাৎপীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী লৌমীশিং কোক্তা খূৎ হাপ্নরে : সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী লৌমীশিং কোক্তা খূৎ হাপ্নরে হায়না সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুম অসিগী নোংজু থাদা নোং নীংথিনা তাদবনা মরম ওইরগা লম্লাই এ সীদা লৈরিবা তুরেল মচাশিং ঈশিংগী ঈচেল অমত্তা লৈত্রে। মরক মরক্তা ঈশিংগী ঈচেল খরা খরা লাকপা অদুসু দাম মচাশিং, আর এল আইগী থবক পূম্না লেপখিবনা ঈশিং অমত্তা লীদুনা থমহৌদে। এ সী অসিদা সী পি আইগী এম এল এ ওইরম্বা ফৈরোইজম পরিজাৎকী মতমদা দাম অমদি ইরিগেসন কেনেল কয়া শেমগৎলম্লবসু রিপ্যেরিং তৌদবা, কেনেলশিং তেংথোকতবনা লৌ উনবা ঈশিং ফংবগী মমি তাদ্রে। মরম অদুনা কুমসি চহী অসিদা লমদম অসিগী লৌফমশিংগী চাদা ৭০ হেন্না লৌ পানবা য়াদনা লৈবনা ফৌথোকসু চাদা ৭০-৮০ দি হন্থরগনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি এ সী অসিগী মীয়াম্না মতীক চাবা মীহুৎ খনখিদবননি।

মমাঙদা মীহুৎ ওইখিবশিংনা লৌউ-শিংগী য়াইফনবা থবক অমত্তা পায়খৎপিরমদ্রে। লৌমীশিংনা ফনা ৰাকৎলবসু তাবীদনা লাকখিবগী মহৈনি। ৰাফমশিং অসি লম্লাই এ সীগী সী পি আইগী লুচিংবা বিমোলনা লৌমী খরগা লোয়ননা সী পি আই, ষ্টেট কাউন্সিলদা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈঙাক্তা তকশিন্নবা হায়রকখিবনি। মরম অদুনা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা অথুবা মতমদা লম্লাই এ সীগী লৌ পানবা য়াদ্রবা লৌফমশিং অমদি ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লৌফম কয়াদা লৈঙাক্না ৰাটর পম্পশিং অথুবা পীদুনা ঈশিং পীনবা থবক পায়খৎনবা দিমান্দ তৌরি। লোয়ননা মণিপুরগী তম্পাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্তা লৈরিবা এম এল এশিংনসু লৌবুক্তা ঈশিং পীননবা মাগী মাগী লোকেল এরিয়া ফন্দশিং শীজিন্নদুনা থবক পায়খৎনবসু আপীল তৌরি। লৌবুক্না ঐখোয়গী থৱায়নি হায়বসি কাউহন্নিংদে। অদুগা হৌজিক হার মরাঙ কায়না ফংহনবা ঙমদ্রিবা অসি ফংহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ললোনবা কয়ানা হারগী মমল হেন্না য়োল্লিবা অসি থিংনবা অকনবা থবক পায়খৎপিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

টোটল সটদাউনগী খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): জোইন্ট এক্সন কন্মিটি ওফ এন ঐচ-২ এক্সপান্সন এফেক্টেদ লেন্দ ওনর্স (মন্ত্রি লৈকায়, খোঙহাম্পাৎ, মহারাবি, সেকমাই, কংলাতোংবী, তেন্দোংয়ান, ফৈদিঙ্গা)না টোটল সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনগনি তৌরম্বা অদু হন্দোকখ্রে।

জে এ সী অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি খোমদ্রাম রোজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি অয়ুক জে এ সীগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমা ভিদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা ফমখ্রে। মীফম অদুনা লৌখিবা ৰারেপকী মতুং ইন্না লাক্লিবা জুলাই ২২দগী হৌরগা জে এ সী অসিনা পুং ৪৮গী টোটল সটদাউন তৌগনি হায়না খঙহনখিবা অদু লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম অসি য়েংলগা সস্পেন্দ তৌজরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লান্থেংনবদা শীজিন্ননবা অয়ুসনা পীবা হীদাকশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লান্থেংনবদা শীজিন্ননবা অয়ুস দিপার্টমেন্টনা পীবা হীদাকশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না য়ুথস ফাউন্দেসন ফোর ফিটনেস এন্দ সর্ভিস (ৰাই ও এফ এফ এস) মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ রামানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ুথস ফাউন্দেসন ফোর ফিটনেস এন্দ সর্ভিস, মণিপুর অমদি অমুকোগী কোভিদ ৰারিয়রশিংনা দিপার্টমেন্ট ওফ অয়ুসনা পীবা হীদাকশিং অদু ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা য়েন্থোকখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (আই দব্লিয়ু দি য়ু সী ও)না কোনবা মফমশিংদা ৰাই ও এফ এফ এস মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস রমানন্দা অমসুং আই দব্লিয়ু দি য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট খাইদেম হেরামনি খাবনা লুচিংদুনা য়েন্থোকখি। হীদাকশিং অদু য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব ন্যু কৈথেলমানবী, ইম্ফাল ৱেষ্ট য়ুনিয়ন ক্লব সগোলতোংবা, উচেক্কোন য়ুথ ভলন্টিয়রস ওর্গনাইজেসন, লোয়ননা মালোম মেঘা হায় স্কুলদা হাংলিবা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা খুৎশিন্নখিবনি। ক্লবশিংগী খুথাংদা শিন্নখিবা হীদাকশিং অসি ক্লবশিং অসিনা অমুক মাগী-মাগী ক্লবনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা য়ুমথোঙ খুদিংদা চঙদুনা য়েন্থোকপগী থৌদাং লৌহৌরি।

অয়ুস দিপার্টমেন্টনা পীবা হীদাকশিং অসি মখা তানসু মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তা ফংহন্নবা ৰাই ও এফ এফ এস অমসুং অমুকোগী কোভিদ ৰারিয়রশিংনা হোৎনখিগনি। মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পি অমদি চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎপিনবা আপীলসু তৌজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

---

৩ লৌশিং পুক্কে

কোভিদ ভেক্সিন কাপ্নীংদবা

ফাওরিবা মীওইশিংনা খঙজিনগদবা ৱাফম খরা

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৰেভনা ঐখোয় খুদিংমকপু কাং-খোং চাইরবা অমদি অমাঙ-অতা কয়ানা থল্লবা ফিভম অমদা থন্বীরি। অনীশুবা ৰেভ অসিনা সার্স-কোভ-২ ভাইরসকী তম্বা ঙমদবা মচৎ অদুবু উৎপদা নত্তনা, মসিনা কোভিদ ভেক্সিনশিংগী মরু ওইবা অদুবুসু ঐখোয়দা ময়েক শেংনা খঙহল্লে।

হৌজিক্কী ওইনদি কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসিনা তমথিরবা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী অফবা পান্থৈ ওইরি। অতোপ্পা কোভিদ ৰেভ অমা লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরিবা অসিগা লোয়ননা ঐখোয়না মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক লৌখৎপা মথৌ তারি অমদি ঐখোয়গী চুঙ্গোয়শিংবু থাদোক্তনা চেকশিন্না লৈগদবনি।

কোরোনাভাইরস ভেক্সিনশিং অসি চহী অমখক্তংগী মনুংদা দিভেলপ তৌরকখিবা ওইবনা ভেক্সিনশিং অসিগী ইফিকেসি অমদি ইফেক্টিব ওইবগী মতাংদা মীয়ামনা মশা-মশাগী ওইবা চিংনবা অমসুং থাজবা ৰাৎপগী ৰাখল্লোন লৈনরি। অসুক তেল্লবা মতম তাঙ্কক অসিগী মনুংদা ভেক্সিন অমা পুথোকপা হায়বসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইবগা লোয়ননা, ভেক্সিন মেন্যুফেক্চররশিংনা সেফটিগী মতাংদা পীরিবা ৰাফমশিং অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মফমদা থাজবা ৰাৎপগী ফিভম অমসু অদুম্মক লৈরি।

অদুমওইনমক, চহী কয়াগী মমাঙদগী ষ্টদি তৌদুনা অমদি চাংয়েং তৌদুনা লাক্লবা প্রোসেসশিং শীজিন্নদুনা মতীক চারবা সাইন্টিষ্টশিং অমসুং রিসার্চরশিংনা কোভিদ ভেক্সিনশিং অসি দিভেলপ তৌরকখিবনি হায়না এক্সপার্টশিংনা থাজে।

তশেংবগীসু কোভিদ ভেক্সিনশিং অসি সাইদ ইফেক্ট খরদি অদুম্মক লৈ। অদুবু লাক্লিবা ৰাহংদি হায়রিবা সাইদ ইফেক্টশিং অদু মিপাইনিংঙাই ওইবরা হায়বসিনি। মিপাইনিংঙাই ওইদে। ভেক্সিন খুদিংমক্না হকচাংদা নুংঙাইতবা পোকহনবা য়াবা অকক্লবা রেস্পোন্সশিং থোকহল্লি। মীয়াম্না খঙলিবা অসিগুম্না, ভেক্সিনশিং অসি পেথোজেন অমগী মিমিক্রি (মতৌ তম্বা) নি, মদুনা হকচাংদা কাপশিনবদা এন্টিবোদিশিং পুথোক্তুনা ফোরেন পার্টিকলশিংবু লান্থেংননবা ইম্যুন সিষ্টেমবু এক্টিভেট তৌবনি। মসিনা হকচাংদা ইনফ্লেমেটরি রেস্পোন্সশিং থোকহল্লক্তুনা লাইহৌ, চোকথবা অমদি কোক চীকপনচিংবা ওইরকই।

ভাইরসশিং অসি মহৌশানা ম্যুটেট তৌজৈ অমদি ওরিজিনেল ষ্ট্রেইন অমগী মান্নদবা ভেরিয়ন্টশিংদা ইভোল্ভ তৌই।

অনৌবা ভেরিয়ন্টশিংগী মিপাইনিংঙাই ওইরবা মওংশিং অসি য়েংলগা, মসিদগী ঙাকথোক্লবগী অমত্তা ঙায়রবা পান্থৈ অসি কোভিদ ভেক্সিনশিং অসিনা ওইরি। এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ভেক্সিনশিং অসি দেল্টা ভেরিয়ন্টকী মায়োক্তা কান্নবা থেংনৈ।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না 'ভেরিয়ন্ট ওফ কন্সর্ন' হায়না লাউথোকখ্রবা দেল্টা ভেরিয়ন্ট অসি সার্স-কোভ-২ ভাইরসকী খ্বাইদগী হেন্না পাক শন্না শন্দোক্লিবা ষ্ট্রেনশিংগী মনুংদা অমনি, লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৰেভ লাকহনখিবা অসি ষ্ট্রেন অসিননি হায়রি।

ঈশাবু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসিনা ঈশাখক্তংদা প্রোটেক্সন পীবদা নত্তনা ঈশাগী কম্ম্যুনিটি অদুবুসু শাফনা থল্লিবনি। মপুঙ ফানা ভেক্সিন কাপথোল্লবা মীওইশিংসু অদুম্মক ইনফেক্ট তৌরকপা য়ারি হায়রগসু মখোয়শিং অসি সেভিয়র ইনফেক্সনশিংনা শোকহনবা য়াবগী চাং হন্থৈ অমদি লায়না অসি শন্দোকপগী চাংসু হন্থবা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা থাজে। অদুমওইনমক, মসিগী ওন্না-তৈনবদা ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংদি তোঙান তোঙানবা ভেরিয়ন্টশিংনা য়াম্না লায়না শোকহনবা য়াবগী চাং খ্বাইদগী ৰাংবগা লোয়ননা কেরিয়রশিংসু ওইবা য়াই।

কনাগুম্বা মীওই অমা কোভিদ-১৯না নারুরবা ওইরগদি টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরবা মতুং থা অহুমগী মতুংদা ভেক্সিন কাপ্পা য়াগনি। হান্না নাখিবা অদুদগী হকচাংদা এন্টিবোদি খরা য়াওরগসু ভেক্সিন কাপ্পা হায়বসিনা রিইনফেক্সনদগী ঙাকথোক্লবগী পান্থৈনি। মসিদসু নত্তনা, হান্না কোভিদ নাখিবদগী ফংবা ইম্যুনিটি অদুগগী মথক্তা ভেক্সিন ইম্যুনিটি অদুনা প্রোটেক্সনগী অহেনবা কুয়োম অমগা অমুক পী।

পেন্দমিক অসিনা অনৌবা, খঙবা ঙমদবা শীংনবা কয়া মায়োক্নহনবগা লোয়ননা মালেম পূম্বদা খুদোংচাদবা কয়া অমা থোকহল্লিবা হৌজিক্কী অসিগুম্লবা তংদু-লৈতাদ্রবা তাঙ্কক অসিদা, কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী মথক্তা ঈশাগী মাস্ক উপ্পা অমদি কোভিদ-এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্না চৎপা হায়বসি অদুক্কী মতীক মরুওইবা অমা ওইরি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা অনীশুবা ৰেভনা ওইহল্লম্বা অৱাবা কয়া অদু খরা খজিক ফৱক্লগসু লমদম অসিদদি অনীশুবা ৰেভ অসিগী খুন্তাক লানশিবা ফিভম অদু মায়োক্লরিবনি। মরম অদুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা অমদি মথৌ তাবা খুদিংমক থেংননবা শেম শাদুনা লৈবা হায়বসিনা হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা অনীশুবা ৰেভ অসি লান্থেংনবগা লোয়ননা লাকপা য়াবগী অকিবা লৈরিবা অহুমশুবা ৰেভ অদুবুসু মায়থীবা পীনবগী অমত্তা ঙায়রবা পান্থৈনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না কৰি হায়রি, কৰি পাম্লি

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইরাং হৌহল্লিবসি কদাই ফাওবা চুম্বগে?

ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না পীবা চহী ৫/৫ খুদিংগী ইলেক্সনগী মতম অদু মণিপুরগী ওইনদি নকশিল্লক্লে হায়বা য়াই। লৈবাক মীয়াম্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ ইলেক্সন অসি কুমজা ২০২২গী অঙনবা মতমদা পাঙথোল্লবা য়াই হায়নসু পানরি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ভোট লেপনিংবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনিংবা মীওই কয়া অমসু হৌজিক্তগী হৌনা কোইচেন চেন্নরি। লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিশিংদা লৈরিবা ভোটরশিংসু ভোটকী ইরাং হৌনরক্লে। মতাং অসিদা লৈবাক মীয়ামদা থম্নিংবা ৰাফমদি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না ভোট লেপনিংবা কেন্দিদেট কয়া খোমজিন্দুনা মাগী-মাগী পার্টিশিংদা পুশিন্নবা হোৎনদুনা জোইন্ট তৌহল্লি। এ সী অমদা কেন্দিদেট মরি/মঙা থোকপসু য়াওরি। গভর্ণমেন্ট পায়রিবা পার্টিদা হেন্না পাম্নবা হায়বসিসু হৌনশানি। লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী টিকেট ফংনিংবনা কেন্দিদেটশিংনা তোঙান-তোঙানবা লোবী কয়া অমসু তৌনদবা নত্তে। অদুবু পার্টিগী টিকেটতি জেরোক্স তৌদুনা পীবদি য়াবা নৎত্তবনিনা ভোট ময়াদা টিকেট অমখক পীরক্কনি। মসিনা মরম ওইদুনা অফবা রিজল্ট অমা লাকপা হায়বদু ওইদে। মরমদি টিকেট পাম্বা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা খৎন-চৈনবা থোকহনবা অমদি ৱার্করশিংগী মনুংদা নুংঙাইনদবা থৌদোক কয়া থোকহল্লি। মরম অদুনা টিকেট পীবগী থবক অসি ভোট ৰাৎলিঙৈদা পীবিরবদি ফগনি খল্লি।

❒ লাইশ্রম নবকুমার, খাঙবোক মাইস্নাম লৈকায়

কোভিদকী চৈথেং ফংলবশিংদা শেলগী মতেং পাংবিগনি হায়খিবদু খরা থুনা পাংবিয়ু

এন ঐচ ৩৭গী ওরিয়েন্টেল কোলেজদগী কৈথেলমানবী অমদি জিরিবাম ফাওবগী সেক্সন পেব সোল্ডরগা লোয়ননা শেমগদৌরিবা লম্বীগী অশাংবা কিলোমিটর ৯৩ গী প্রোজেক্টকী ওইনা চঙগদবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর ১৪০নি। অসিগুম্বা লম্বীসি মতম কয়া পাকথোক-চাওথোক্তনা লম্বী অসিদা মাল পুবা গাড়ি কয়া অয়ুক-নুংথিল অমদি নুমীদাং খাক্তনা চেন্দুনা লৈরিবনি। গাড়ি অচৌবশিংনা খুরক হাংদনা চৎপা ওইবনা মখল কয়াগী খুদোংথিবা থোকখ্রবনি। মীয়াম্নসু লম্বী অসি শেম্বী-শাবিনবা কয়ারক হায়জখ্রবনি। জুলাই থাগী ১২দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী লম্বী-থোং শেম্বী-শাবিনবগীদমক্তা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিতিন গদকরি লাকপীদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং ৱার্কর্স মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা প্রোজেক্টতা হাপ্পিবগীদমক্তা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। লোয়ননা প্রোজেক্ট অসি অথুবদা থবক্তা ওইনা ওন্থোকপীরবদি এন ঐচ ৩৭গী নাক-য়েৎতা লৈরিবা মীয়াম্না হরাউ-নুংঙাইবা হায়বদু ওইগনি। শেন্থোক লম্বী ৰাৎলবা কোরোনাগী চৈথেং মরক অসিদা লৈঙাক্না শেলগী মতেং খরদং ওইরবসু পাংগনি হায়খিবা ৰাফম অদু মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি উবিরগা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীরগদি অমুক্না হেন্না মীয়াম্না পাল্লিবা লৈঙাক অসিবু নুংশিবা অমদি মীয়ামগী খনবা লৈঙাক অমনি হায়না খনগনি। অমরোমদা মণিপুর মীয়ামগী অৱাবা উবিদুনা মখল কয়াগী চাওখৎ-থৌরাং তৌবিবা অমসুং অৱাবশিংদা মতেং পাংবিরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

❒ ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।০৭।২০২১ ইং, শগোলশেল; ঈঙেলগী ১৩নি পানবা।

মেষ: মীগী মতেং পাম্লদি ফংবা, অঙম্বনা চানবীবা নুমিৎনি। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল পনবা অমদি হেন্নদুম হুরানবনা নরলদা মিতাবদি লৈগদৌরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: হকচাং নুংঙাইবা, মীয়াম্না চানবিবা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনজবনা অফবা মফম কনবা ঙম্বা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী লমদা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিথুন: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। পল্লম্বা শেল অমদি য়েক্নরম্বা কোকচদুনা মফম কঞ্জবগী নুংঙাইবা লৈ। অদুবু মরুপ্পা তাথীবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবতা নত্তনা নীংবদুমক পাঙবসু ফংজবা নুমিৎনি। অরং অরাক ফংনবা হোৎনবা কান্নগনি। লৌশিংগী লমদদি লায়রা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

সিংহ: নাইতোম ৰারেপ লৌবদি লাইরা তানগনি অমদি থৌয়াম পুবা ৰাগনি। মতম খরা মাঙলসু মীনদি থাগৎপিগনি অমদি অরুবা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৰাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কন্যা: হান্নদগী পাঙলকপা থবক্তা নীংহন্নগনু অমদি মরম চাদনা মীঙোন্দা চঙজগনু। লৈঙাক্কী লমদা মীকোক থোংগনি। অদুবু নক্লবনা য়ানবা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোয়।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

তুলা: অঙম্বনা য়ানবা চৎপনা চোপ্পা য়াবদৈ কঞ্জগনি অমদি চাদিং হন্থগনি। ইমুং মনুংগী ৰা লৌবনা শেন্দালগী লমদা কান্নগনি। য়েৎনবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৰাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: খাঙবা কনবা অমদি থিজিনবা কনবৈ কান্নবদি ফংজগনি। অদুবু লোয়নবা খরনদি লন মৎপি অমদি হুরানবনা ইমুংদা মাঙহনগনি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না অশা চাউরন্নু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: নীংবা মপা চারে, ৰাখলসু নুংঙাইজরে অমদি শেল/মীচং হেনবা লৈগনি। অদুবু অনম তানবনা মাঙজবা অমদি লৈঙাক্কী লমদা কোক চীকপা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর: লাই নীংউ অমদি নথক থোংবগী ৰা তাবনা লম খুদিংদা মায় পাকচবা ওইগনি। মরম খঙদনা হোয়া ফবনা চাদিং হেনগনি, মরুপ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াই-ফিংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

কুম্বা: মীচং য়াম্বা, ওইজবা ফংবা অমদি নীংবা মপা চাবদি লৈগনি। হন্থবা লোয়নবদি চোপ্পা, ঙাঙবা শকপা হৈবা ৰাৎপা, হকচাং নুংঙাইবা ৰাৎপা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

মিন: নুংঙাইবা অমদি ওইজবা মরম লাক্কনি। নচা-ননাই চাওখৎকনি অমদি ৰাখল থোক্কনি। অদুবু হকচাং নংঙাইবা ৰাৎপা অমদি থবক্কী পেন্দবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।